বি জে পি লম্লাই মন্দলনা শীন্দুনা ষ্টেট কাউন্সীল মেম্বর কে ঐচ ইবোমচাগী য়ুমদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন্দ্র লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম পাঙথোক্তুনা হৈকৎ লৈকৎ তমখিবা

মৈত্রম লাই হরাওফম শঙলেনগী কম্যুনিটি হোলদা মৈত্রম অমদি অকোয়বদা লৈবা মফমশিংগী মীওইশিং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখিবগী থবকশিং এক্স-এম এল এ আর কে আনন্দনা য়েংশিনখিবা

রিপ্রজেন্টেটিভস ওফ লোইস ককচিংনা ককচিংগী অকোয়বদা লৈবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অমদি কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টরশিংদা অয়ুক্কী চাক্লেন কোয়না চৎতুনা য়েন্থোকখিবা

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা খাঙবোক এ সীগী কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা বি জে পিগী মীরেপসু ওইখিবা সোসল ৱর্কর থোকচোম জাদুমনিনা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা

‘কোভিদ-১৯ তেংবাঙ খোঙচৎ হৌরগনি’

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী থৌমীশিংনা শেমজবা ‘কোভিদ-১৯ হুয়েন লানলোং টাস্ক ফোর্স’না মে ১৫দগী হৌনা হুয়েন লানলোং (থাঙ-তাগী) শিন্তাকপুরেলশিং, শিন্তাকপশিং লোয়ননা থৌমীশিংদা অচা-অথক্কী পোৎলমশিং তেংবাঙজবা খোঙচৎ হৌরগনি হায়না অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপকী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি ও মোংয়াম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৌমী-শিন্নী কয়ানা য়াম্না ৱানা হোৎনজদুনা থাজরিবা মনা-মশিং, হৈ-রা কয়াসু কোভিদ-১৯ হুয়েন লানলোং টাস্ক ফোর্সনা লমদমসিগী লৌমী শিন্নী কয়ানা য়োনফম লৈতবগী অৱাবা খরদং ওইরবসু কোক্লবা লৈশিঞ্জরগনি। নাকল অমরোমদনা লায়না-লাইচৎ অসিনা মীয়াম্না পোৎচৈ লৈবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবসিদা অপূনবা লূপকী টাস্ক ফোর্সনা মীয়ামগীদমক য়ুম-য়ুমদা য়ৌহন্নবা পান্দমদা চিনজাক কৈথেল হাংদোকচরি। ইরৈচা খূদিংমক্লা শৌগৎপীয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ৱাঙ্গোইদা নুপা ১ শিরগা লৈরম্লে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

ঙসি অয়ুক ৱাঙ্গোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাঙ্গোই কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর (সী ঐচ সী)গী মনিংদা খামদুনা লৈবা অঙৌবা মচুগী এষ্টার কার অমগী মনুংদা নুপা অমা শিরগা লৈরম্লে।

লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং মোইরাংথেম মেনোলিন এলিয়স বোইনাও (৩০), অপোকপা এম মনি কৌই। মহাক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায়দা লৈবনি। অশিবা হকচাং অদু পুলিসনা লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা থৌরাং তৌবদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা কেসসু লৌখৎপীরগনু লোয়ননা পোষ্ট মোর্টেমসু তৌজরোই হায়জবদগী হকচাং অদু ইমুং-মনুংগী মীওইনা লৌরগা মহাক্কী পোক্লফম লমদমদা পুরগা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

লম্লাই এ সীগী মনুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা কয়া য়াওরকপদগী হোম ক্বারন্টিন তৌরিবা ইমুং ১৩৩দা সাপম কংলৈপালনা খুৎশিন্নরকপা চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে হায়না লম্লাই মপারি থৌগল লূপকী জেনরেল সেক্রেটরি লাইশ্রম বোবিসনানা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, ঙসি লম্লাই মপারি থৌগল লূপকী থৌমীশিংনা লৈকায় লৈকায়গী ক্লবকী খূথাংদা অপূনবা ইমুং ১৩৩গী তেংবাং পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। মসিগী মথক্তা সৈজাং খুলগী লৈকায় অমগী মীওইশিং ষ্টেট কন্ট্রেক্ট ট্রেসিংগী খূথাংদা লেম্না টেষ্ট তৌখি। হায়রিবা টেষ্ট তৌবগী থবক অসি মায় পাক্লবা হোৎনবদা অৱাবা মায়োক্লরম্বা অদু কোক্লবা সাপম কংলৈপালনা খুৎশিন্নরকপা পি পি ঈ কিট সৈজাং খুলগী ক্লবতা খুৎশিন্নখি হায়রি।

ঙসি খুৎশিন্নখিবা লৈকায়শিংদি-নোঙাদা খুলদা ইমুং ১২, য়াইঙংপোকপী খুলদা ইমুং ৩, সৈজাং খুলদা ইমুং ১৩, য়ৌরবুং খুন্নৌদা ইমুং ২৭, য়ৌরবুং খুলদা ইমুং ২২, লম্লাই খুলদা ইমুং ১৭, পুংদোংবম খুলদা ইমুং ১১, সেক্তা খুলদা ইমুং ২, লৌসাংখোং খুলদা ইমুং ১১, তখেলদা খুলদা ইমুং ১নি হায়রি। মসিগী মথক্তা অনা-অয়েক য়াওরক্লিবা ইমুংশিংদা মহাক্না হান্নসু দোক্টরনা প্রিস্ক্রাইব তৌবা হীদাক লাংথকশিং হায়রকপগী মতুং ইন্না মতেং পাংদুনসু লাক্লি।

নাকল অমরোমদা, লম্লাই মপারি থৌগল লুপ্লা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা লাইচৎ অসি শন্দোরক্তনবা লৌখৎফম থোকপা থৌরাংশিং লৌখৎতুনা লাকখিবনি। হৌজিক্তি লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা লম্লাই মায়কৈগী ওইনা মীওই অনীগী পুন্সি পীখন্নখ্রে। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু লম্লাই মপারি থৌগল লুপ্লা শরুক য়াজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মতম চানা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌহৌরবদি পাক শন্না শন্দোরক্কদবদগী কনবা ঙমগনি : আর কে আনন্দ

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

মতম চানা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌহৌরবদি মীওই কয়াদা পাক শন্না শন্দোরক্কদবদগী কনবা ঙমগনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী মেম্বরসু ওইরিবা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ য়ৌরক্তুনা লায়না-লাইচৎ অসি পাক শন্না শন্দোরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্নবা পান্দমদা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা মৈত্রম অৱাং লৈকায়দা লৈবা বেনিফিসিএল ক্লব অমসুং রাইজিং কম্মিটিগা পুল্লগা শেন্বা কোভিদ টাস্ক ফোর্স, মৈত্রমগা খুৎশম্নদুনা মৈত্রম লাই হরাওফম শঙলেনগী কম্যুনিটি হোলদা মীওই ৩২০ কোভিদ টেষ্ট তৌখ্রে, মীওই ২০না পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মতেংগা লোয়ননা চথখিবা টেষ্ট তৌবগী থবকশিং অদু হকথেংননা য়েংশিল্লদুনা মথক্কী ৱাফম অসি এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, মৈত্রম অমসুং মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিংদা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপদগী তঙাইফদনা কোভিদ টাস্ক ফোর্স মৈত্রমগা খুৎশম্নদুনা টেষ্ট তৌবগী থবক অসি পাঙথোকপনি। মসিদা মীওই ৩০০ লোম্না কোভিদ টেষ্ট তৌখি। মীওই খরসু পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং, সী এম ও ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং দি সী ইম্ফাল ৱেষ্টতা টেষ্ট তৌবীনবা হায়জরুবদা অয়াবা পীবীরক্তুনা টেষ্ট অসি তৌবীবগীদমক্তা থাগৎলি। মালোমদা অহুল্লক অমসুং লাইরেঞ্জম মখা লাইবুংদা অমুরক কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌখ্রে। ঙসিনা মৈত্রম অমদি মসিগী অকোয়বদা লৈরিবা লাইরেঞ্জম, মালোম, কদোম্পোকপী লমখায়নচিংবগী মীওই কয়া টেষ্ট তৌখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, মতম চানা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌহৌরবদি মীওই কয়াদা লায়না-লাইচৎ অসি পাক শন্না শন্দেরক্কদবগী কনবা ঙমগনি হায়বগী ৱাখল্লোনগা লোয়ননা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুংদা য়ারিবমখৈ পাক শন্না কোভিদ টেষ্ট তৌথোক্লবা হোৎনসি। টেষ্ট তৌবা অসিদা নেগেটিভ ওইরবশিংনসু য়ারিবমখৈ মরম লৈতনা য়ুমদগী মপান থোক্তনা কোয়চৎ চৎপনচিংবা তৌবীগনু। পোজিটিভ ওইরবশিংনসু হেল্থ দিপার্টমেন্টনা পীবা গাইদলাইনশিং ঙাক্লা হিদাক নীংথিনা চাদুনা চেকশিন্না লৈরগা অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইসনু। লায়না-লাইচৎ অসিদগী মীয়ামগী পুন্সি কন্ননবা কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরিবা মেদিকেল ষ্টাফশিং অমদি ক্লবকী ভলন্টিয়রশিংবু থাগৎলি। হৌজিক ফাওবদা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী ওইনা মেকোলা পি ঐচ সীদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্লি। হায়রিবা সেন্টর অসিখক্তনা এ সী অসিগী য়াল্লবা মীয়াম্বু ভেক্সিন কাপ্পদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবনা লৈঙাক্লসু ভেক্সিন কাপ্পগী সেন্টর মশীং অসি খরা হেনগৎহনবীয়ু। ভেক্সিন কাপ্পগী থবক খুম্মাং য়াংশিল্লিবমখৈ কোভিদ লায়না-লাইচৎতগী খরমখৈ কনবা ঙমগদবনা মোংশাঙ্গৈ নৎত্রগা ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়দা লৈবা হেল্থ সেন্টরদা ভেক্সিন কাপফম হাংদোকপীয়ু।

কোভিদ-১৯ অনীশুবা ৱেভকী লুরবা মতম অসিদা মোংশাঙ্গৈদা লৈবা হেল্থ সেন্টরদগী ডোক্তর অমা হন্দক্তা ত্রান্সফর তৌখিবা অসি মীয়ামগী অপান্বা মতুংইন্না ত্রান্সফর তৌবীদনবা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা রিভিয়ু তৌবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মৈত্রমদা কোভিদ টেষ্ট তৌখিবা অদু মায় পাক্লা পাঙথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ৱার্দ মেম্বর খুমন্থেম তবানিনা হায়খি, মৈত্রমদা মীওই ১৬ লোম কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপদগী মফম অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা মীওইশিং পাক শন্না টেষ্ট তৌবনি। টেষ্ট তৌনবা হোৎনবা অসিদা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দ, সী এম ও ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি দি সী ইম্ফাল ৱেষ্টনা তেংবাঙ পীবীবা অসিগীদমক থাগৎলি। মীয়াম্নসু লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা চেকশিনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

তুংদা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়, কোঞ্জেং লৈকায় অমদি লাইরেঞ্জম সাবলগী কন্টেনমেন্ট জোনশিংদা লৈরিবা ইমুংশিংদা তেংবাঙ ওইনা চান-থক্লবা পোৎলমশিংসু য়েন্থোকখি।

ৱানরবা মতমসিদা মশাগীতা খনবা লল্লোনবশিংনা মীয়ামদগী ঈ চুপ্পা খুদক্তগী তোক্কদবনি : হেরিকোন

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাক্তুনা এপ্রিল থাদগী পোজিটিভ ওইবা অমদি শিবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকখিবদগী লৈঙাক্লা ষ্টেট অসিদা কন্টেনমেন্ট অমদি পব্লিক কর্ফিয়ু থমখিবনা নোংমগী শুরগা চাজবা লায়রবা লৌমী-শিন্নী কয়া থৱায় হিংনবা লান্থেং মরক অসিদা নোংমগী চরা ফংনবগী পুকচাক্কী লান থেংনরিঙৈ অসিদা হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎচৈগী মমল লল্লোনবশিংনা লৌনিংবা মমলদা কঞ্জুমরশিংদা কেস মেমো পীদনা নমথাক তৌরগা পংলৌদা লৌবা, মীয়াম্না ৱানরবা মতম অসিদা মশাগীতা খনবা লল্লোনবশিংনা উপায় লৈজদ্রবা মীয়ামদগী ঈ চুপ্পগী থবক অসি খুদক্তগী তোক্কদবনি হায়না ইথনো হেরিটেজ কাউন্সীল (হেরিকোন)না ফোঙদোরক্লি।

হেরিকোনগী সেক্রেটরি জেনরেল ৱাই সুরজিৎ কুমার খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হেরিকোননা ইম্ফাল মনুংদা লৈরিবা হোল সেল্লর, ষ্টোকিষ্ট, সপ্লায়রশিংগী মফমদা কোয়না চৎতুনা রিটেল্লরশিংনা পোৎ লৌবা লাকপা মতমদা কেস মেমো পীবীয়ু হায়না হন্না হন্না হায়জরবা ফাওবদা কেস মেমো মতিক চানা পীদবা হায়বসি লৈবাক মীয়াম্বু উশিৎ-থওইদবনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই। মশাগীতা খনবা লল্লোনবশিংনা পোৎচৈগী মমল, এম আর পিগী মমলদগীসু হেনগৎনা লৌনিংবা মমল লৌবদা লৈঙাক অসিনা তুমীন্না য়েংদুনা লৈবা হায়বসি মীয়ামগী ওইনা লাইবক থীবনি। লল্লোনবশিংগা লৈঙাক্লা মান্নরগা মীয়ামদা অৱা-চৈথেং পীরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর অসি ইন্দিয়াদা পুন্দ্রিঙৈ কুমজা ১৯৪৯ মমাঙদদি ইরমদম অসিগী লৌমী-শিন্নীশিংনা পুথোরকপা পোত্থোক্লা লেম-পানা শীজিন্নবা কোন্নদুনা মীপাল তাঙদনা লৈজরম্বনি। অদুবু ঙসিদি ঐখোয়গী মীয়াম অসি শুদনা নুংঙাইবা থিবা, অকনবনা অশোনবা তুহৎলগা চাবা ঙাক্তনা অয়াম্বা শরুক ওইরকখিবনা মপান লমদগী পুশিল্লকপা পোৎচৈ অসি য়াওদনদি হিংবা ঙল্লরোইদবা খুন্নাই অমা ওইদুনা লৈরে। খুন্নাই অসিগী তুংগী মীরোলগীদমক খল্লগা ঐখোয় থবক শু-নোম্বগী চৎনবী থল্লসি। ঐখোয়-ঐখোয়গী লৈজরিবী ইংখোল, পাক চাউরবা লৌবুক-লম্মাং, চীং, পাৎ-তুরেল অসিদগী পোথোক ফজনা পুথোক্তুনা মীপাল তাঙদনা হিংবা খুন্নাই অমা ওইহল্লসি।

লৈঙাক্লসু লৌমী-শিন্নীশিংনা নোংমগী শিন্থা পাঙথোকপা য়ানবা অখন্নবা থৌরাং থৌশিল শীনবীগদবনি। পোথোক পুথোকপদা চঙবা মথৌ তাবা মচাক মরী লৈনবা লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংনা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীদুনা মতিক চানা ফংহনগদবনি। লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিদগী মীয়ামগী থৱায় কন্নবগীদমক কন্টেনমেন্ট জোন, পব্লিক কর্ফিয়ু, লোকদাউন কয়া থমজিনখিবা অসিনা ইরমদম অসিগী বিজিনেস সেন্টরশিং ক্লোজ তৌরগা লৈখিবনা মরম ওইরগা নেসনেলাইজ বেঙ্ক, রিজনল বেঙ্ক, প্রাইভেট বেঙ্ক অমদি মাইক্রো ফাইনান্স পুন্নমক্লা হায়রিবা মতম অসিদদি শেন্দোই লৌবীদনবা খঙহঞ্জরি। লৌখ্রিবা লোন অদুগী কেপিটেল ফাওবদা লোকদাউন, কর্ফিয়ু লোইরবা মতুং বিজিনেসশিং অসি মপুং ফানা চলাইরবা মতুংদা কল্লেক্সন তৌবীনবসু খঙহঞ্জরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লায়রবা লৌমী-শিন্নীশিংসু শুফম নোম্ফম য়াদবদগী মখোয়গী শেন্মীৎলোনদা হায়নিংঙাই লৈতনা শোকচিল্লিঙৈ চৈরক অসিদা লন্নাই মরুপ, লোট্রিরি, য়ুম শানবগী ভারা, শেন্দোই খোম্বনচিংবা খূদিংমক মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবা লেপ্পীয়ু। লৌমী-শিন্নীশিংনা পুথোক্লিবা মনা-মশিং, উহৈ-ৱাহৈ, শঙ্গোম পোথোক কয়া কর্ফিয়ু লৈখিবসিনা মরম ওইরগা পৎ পুমদুনা মাঙদুনা লৈরে।

নাকল অমরোমদা মশাগী ইংখোল লৈজদবা মীয়াম্নসু পোৎচৈশিং অদু শেল লৈরবসু লৈবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈঙাক্লা লৌমী-শিন্নীশিংনা পুথোক্লিবা পোথোকশিং লৈবা য়োনবগী থৌরাং পায়খৎপীদুনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি কোকহন্ননবা হোৎনবীয়ু। লৈঙাক্লসু লোকদাউন অমদি পব্লিক কর্ফিয়ু মনুং অসিদা মীয়াম্না হিংবদা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং লেম্না ফংহনবীয়ু। তঙাইফদনা শেল পীরগা লৈদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংসু মীয়াম্না লায়না ফংবা ঙম্নবা শীনবীয়ু। ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিংসু খুদক্তা থিংবীয়ু। মতম চানা থিংহৌদ্রবদি লায়না-লাইচৎ অসি শন্দোরকপগী অচৌবা মরম অমসু ওইরক্কনি। মীয়াম্নসু ইশা-ইশাগী পুন্সি কন্ননবা লৌবা য়াবা থৌদাংশিং লৌবীয়ু। এস ও পি ঙাক্লা চৎপীয়ু। মরম চাদনা চাকচা-হৈজানবা, পার্টি তৌদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা থকপা, ময়াম পুনশিন্দুনা জ্বার শান্নবা, লূদু শান্নবা খুদক্তা লেপ্পীগদবনি।

লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা কোভিদ-১৯ খক্তগী লায়েংনবা হোস্পিটালশিং থৌরাং তৌবীগদবনি। অনাবশিংনা ওক্সিজেন ফংদবগী অৱাবা লৈতনবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু। নন-কোভিদ পেসেন্টশিংনা শিবগী চাং ৱাংখৎলক্তনবা লৈঙাক্লা শীনবীয়ু। বেঙ্কশিংনা এ টি এম বুথ অয়াম্বসু শেল হাপ্তবনা মরম ওইদুনা মীয়াম অঙকপা ফংনা অৱাবা মায়োক্লরে। মীয়ামগী অৱাবশিং অসি উবীরগা বেঙ্কশিংদগী শেল লৌথোক লৌশিন য়ানবা শীনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসনা মীওই ১৩৩ দিটেন তৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :

ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ নোংম-নোংমগী মীশি-মীনা ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবা মীওইশিং মণিপুর পুলিসনা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা দ্রাইভ চথদুনা ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

ঙসিসু কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভ অসি খমথেংনা কল্লবা তাঙ্কক অসিদা লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন থুগায়দুনা য়ুমদগী মপান থোরকপদা ফেস মাস্ক উপ্তবা, মীয়াম পুনবা মফমদা সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা অমদি মীয়াম তীনফমদা লোক তিন শিৎপা মীওইশিং য়াওনা পুলিসনা দ্রাইভ চথবদা পুন্না নুপা-নুপী ১৩৩ ফাগৎতুনা দিটেন তৌখ্রে।

পুলিসনা ফাগৎতুনা দিটেন তৌখিবা মীওই ১৩৩ অদু মখা তানা তৌদনবা ৱার্নিং পীরগা থাদোকখি। মখোয়দগী শেল ওইনা লুপা ৫৫,১৫০ রোম ফাইন ওইনা খোমগৎখ্রে। লৈঙাক্লা লাউথোকখিবা চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্তবা মীওইশিংগী মথক্তা নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট,২০০৫গী মখাদা লিগেল এক্সন লৌখৎপা য়াই হায়রি।

পেনাগী শিন্তাকপুরেল সুরজিৎপু খল্লক্লে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :

কংলৈপাক তাইবং পেনা মহৈকোল, ইম্ফাল ইষ্টকী শিন্তাকপুরেল ওইরিবা শক্লাইরবা পেনা শৈশকপা রাজকুমার সুরজিৎপু মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী নোর্থ ইষ্ট জোন কলচরেল সেন্টরগী স্কিম মখাদা গুরু শিক্ষা পরম পারাগী গুরু ওইনা খল্লক্লে।

কোংপাল নাওরোইবম লৈকায়দগী রাজকুমার সুরজিৎ মমাঙদা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী স্কোলারশিপ, জুনিয়র ফেল্লোশিপ অমসুং মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী ফেল্লোশিপসু ফংখ্রবনি।

রাজকুমার সুরজিৎকা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্মশিংদা গুরু শিক্ষা পরম পারাগী গুরু ওইনা খল্লক্লবশিং অদুদি লাই হরাওবদা লাইরেনলাকপম ইবোমচা মৈতৈ, থাঙ-তাদা পুথেম মঙ্গি, পুঙদা সোইবম বোকুল, পোট্টেরিদা মচিহান সাসা, কোইরেং দান্সতা টি সৈকম কোইরেং, বেম্বু ফ্লুট মেকিংদা ব্রহ্মচারিময়ুম কিরঞ্জিৎ শর্ম্মা, মরিং ফোক দান্সতা কোনিং মোরুং মরিং, তরাও দান্সতা কত্রিমশা পৈলে তরাওনি। অদুগা য়ং টেলেন্ট এৱার্দকীদমক খল্লক্লবশিংনা শুমাং লীলাদা ক্ষেত্রিময়ুম সুস্মা, হেন্দক্রাফ্টতা ৱারিবম নেলোপাল অমসুং পেন্টিংদা মৈস্নাম রেনুকানি হায়রি।

সী ঐচ সী ককচিংগী রেগ্যুলর এম ও থম্বীদবগী মরম করিগীনো : এমসু

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :

আয়ুসকী ডোক্তর অমনা মতৌ করম্না এম ও ইন-চার্জ ওইনা পুহল্লিবনো। সী ঐচ সী ককচিংদা রেগ্যুলর এম ও থম্বীদ্রিবগী মরম করিগীনো হায়না এমসু ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী ঐচ আর দি সেক্রেটরি এস থোইবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ লাক্তুনা ফীভম লুশিল্লক্লবা মতম অসিদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিদা ডোক্তর মশীং অসুক্কী মতিক ৱাৎপনা মরম ওইরগা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া চাউনা মায়োক্লরে। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিদা হৌজিক ডোক্তর মরিখক লৈরি। মসিগী মনুংদা ডোক্তর অনীদি য়ুটিলাইজ তৌদুনা লৈবনি। দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালনিদি হায়রগা মমিংতগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ওইহনবা অদুগা সী ঐচ সীগী থাক্তা লৈরিবা হোস্পিটাল অসিদা মতৌ করম্না ডোক্তর মরিখক্লা চলাইরিবনো। অথুবা মতমদা হোস্পিটাল অসিগী রেগ্যুলর এম ও ইন-চার্জ অমা থম্বীয়ু। হোস্পিটাল অসিগী এম্বুলেন্সতি লৈরগা দ্রাইভর শুনা থমদবা হায়বা অসিসু য়াম্না লাইবক থীবনি। লৈঙাক্লসু অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু। সী ঐচ সীদা হৌজিক পোষ্টিং তারিবা ডা. সঞ্জয়না অসুক লুরবা তাঞ্জা অসিদা মার্চ থাদগী হৌজিক ফাওবা ছুটি লৌদুনা লৈরিবা অসিনা করম্বা গ্রাউন্দদনো। হোস্পিটাল অসিগী মথৌ তাবা ফেসিলিটিশিং করম্বা মতমদা ফংহনগদবনো। ৱাৎলিবা কয়া অসি নৌনা লাক্লিবা সী এম ওনা মপুং ফানা য়েংশিনবীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমজরি। অৱাৎ-অপাশিং অসিগী মতাংদা নুমীৎ তরেৎনিগী মনুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবীদবা তারবদি অকনবা ফিরেপ লৌরগনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদকী ইনমেটশিংদা চাক চরা অমমম পীজখ্রে

ককচিং, মে ১৪ (ঐচএনএস):

ককচিং এরিয়াদা লৈরিবা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কোভিদ ক্যের সেন্টর (সী সী সী) অমসুং কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর (সী ঐচ আই সী)শিংদা তোঙান তোঙানবা লূপ অমদি লম্নাই মীওইশিংনা চাক চরা অমমম পীজনবগী থবকশিং চথনখ্রে।

রিপ্রজেন্টেটিভ ওফ লোইস (আর ও এল) ককচিংনা ককচিং মখা লৈকায়দা লৈবা ককচিং মখা হায় স্কুল, ককচিং ৱাইরি পঞ্জাও পল্লুমদা লৈবা আই টি আই, ককচিং অমসুং খা মণিপুর কোলেজ (কে এম সী) ককচিংদা লৈবা সী ঐচ আই সীশিং অমদি ককচিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদা লৈরিবা ইনমেটশিং, ভলন্টিয়রশিং, ডোক্তরশিং, ষ্টাফ নর্স অমসুং সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং পুন্না মীওই ২০০গী ঙসি অয়ুক্কী চাক্লেনশিং সেন্টরশিংগী আর ও এলগী থৌমীশিংনা কোয়না চৎতুনা য়েন্থোকখি।

চাক্লেন য়েন্থোকপগা মরী লৈননা আর ও এলগী সেক্রেটরি এম শামুনা হায়খি, মালেমগী ওইনা পাক শন্না শন্দোরক্তুনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা অৱাবা তারবা মীওইশিং, কোভিদ-১৯ থেংননবা মাঙজিল থানা থবক তৌবীরিবা ডোক্তর, নর্স অমসুং সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং অমসুং ভলন্টিয়রশিংনা মখোয়বু মশক খঙজবা ওইনা রিপ্রজেন্টেটিভ ওফ লোইস ককচিংনা ঙসি অয়ুক্কী চাক্লেন অসি পীজবনি। চাক্লেন অসিনা কোভিদ-১৯না নাদুনা লৈরিবা মীওইশিংবু পাঙ্গল অমদি হকচাংদা লৈরম্বা কোরোনা ভাইরসপু মায়থীবা পীরমদুনা য়াম্না থুনা ফগৎলকপসু তাইবং শেম্বা মপুনা পীনবীবা ওইরসনু। ঐখোয় খূদিংমক্লসু কোভিদ-১৯দগী লাপ্না লৈনবা ফেস মাস্ক শোয়দনমক কাঙলোন চুম্না উপ্পীবা, খুৎ-শা তোয়না হান্বীবা, থৌদোক-ৱাথোক, লাইনিংগী পাঙথোক্তবা য়াদবা লান্না থৌরমনচিংবদা লৈঙাক্লা পীবা এস ও পি, মী ২০দগী হেন্না পুনবা য়াদবা হায়বা অমদি মরম চাদনা য়ুমদগী মপান থোকপীদনা মতম খরা ৱারবসু ৱানা খাঙবীরগা লাইচৎ অসিবু থিংনবা হোৎনবদা পুন্না শরুক য়ামিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদসু ককচিং এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ককচিং এরিয়াদা লৈরিবা সী ঐচ আই সী অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টরদা ঙরাং নুমীদাংগী চাক্লেন অমা পীজখ্রে হায়রি।

এম এল এ রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, ককচিং এরিয়াদা হাংলিবা সী ঐচ আইসী অমসুং সী সী সীশিং অসিদা মহাক্কী মায়কৈদগীসু হান্নদগী পীবা য়াবা, পাংবা য়াবা মতেং খূদিংমক তৌদুনা লাক্লি। মখা তানসু তৌখিগনি। ঐখোয় খূদিংমক্লা লৈঙাক্লা লাইচৎ অসি থিংননবা লৌখৎলক্লিবা থবক থৌরমশিংদা ঐখোয় খূদিংমক্লসু মতেং পাংশিন্দুনা লাইচৎ অসি মুথৎনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

ইমা হোস্পিটাল ককচিংগী কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস) :

মালেমগী ওইনা মীপায়নিংঙাই ওইরবা কোরোনা ভাইরস (কোভিদ-১৯)গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা নোংম-নোংমগী লাইচৎ অসিনা নাবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯ থেংনবদা লম্নাইগী হোস্পিটাল অমা ওইনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবা ইমা হোস্পিটাল ককচিংগী কোভিদ ক্যের সেন্টর অমা ঙসি ককচিং ৱাইরি পঞ্জাও পল্লুমদা লৈবা খা মণিপুর কোলেজ ককচিংগী কেম্পসতা ককচিং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা হাংদোকখ্রে।

ফমুং ২০ লৈবা, ওক্সিজেনগী খুদোংচাবা পীগদৌরিবা কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদোকপা অদুগা মরী লৈননা এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোকখিবদা, ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ-১৯ থেংননবগীদমক ইমা হোস্পিটাল ককচিংনা হোস্পিটাল অসিগী ওইবা ইমর্জেন্সি কোভিদ ক্যের সেন্টর অমা হাংদোকপীরকপা অসি য়াম্না নুংঙাইবা ফাওই। কোভিদ-১৯ থেংননবা লৈঙাক্লা পীরিবা খুদোংচাবশিং অসিগী মথক্তা লম্নাইগী ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংনসু মশা মশাগী ঙমজবা থৌদাং লৌদুনা কোভিদ-১৯ থেংনবীরিবা অসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। লৈঙাক অমদি লম্নাইগী ওন্ট্রপ্রেন্যুরশিংগা খুৎশম্নরগা লৈরিবা/থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অসি সোল্ব তৌনবা হোৎনমিন্নসি। লৈঙাক অসিনসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মীয়ামদা ওক্সিজেন ৱাৎতনা ফংহন্নবা হোৎনরি। মীয়াম্নসু চেকশিন্না লৈবীয়ু। লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং অমদি কর্ফিয়ুগী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়নসু আপীল তৌরক্লি।

কোভিদ ক্যের সেন্টর হাংদোকপা অদুদা এস পি ককচিং ভিক্টোরিয়া য়েংখোম অমসুং সী এম ও ককচিং ডা. টি ঐচ রাজেনসু শরুক য়াখি।

ক্লব, মৈরা পায়বী ময়াম পুল্লগা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরবদি লাকশিনবা ঙমগনি : দিঙ্গো

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

ক্লব, মৈরা পায়বী ময়াম পুল্লগা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরবদি কোভিদ লায়না-লাইচৎ অসি শোয়দনা লাকশিনবা ঙমগনি হায়না সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা ফোঙদোরক্লি।

এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোগী লমজিং মখাদা কংলাতোংবী হিন্দী সেকেন্দরি স্কুল অমদি খুরখুল সর্দার পটেল স্কুলদা নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথরকখিবা কোভিদ-১৯ মোবাইল টেষ্ট তৌবগী থবকশিং ঙসি লোইশিনখ্রে। টেষ্ট তৌবগী থবকশিং অদু হকথেংননা য়েংশিল্লদুনা এম এল এ দিঙ্গোনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, মীয়াম্নসু লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্ননবা লৈঙাক্লা পীরিবা এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু। ফেস মাস্ক উপ্পীয়ু, সেনিটাইজর শীজিন্নবীয়ু। ভেক্সিন কাপ্পা য়ারিবা মীপুম খূদিংমক্লা শুংশোয় শোয়দনা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপীয়ু। কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী লায়ওং উৎলকপা লৈরবদি লোৎশিন্দুনা থম্বগী মহুৎতা টেষ্ট তৌথোকপীয়ু। ঙন্না লায়েংহৌবনা মীওইবগী পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি। ক্লব, মৈরা পায়বী ময়াম পুন্দুনা অমত্তা ওইনা থেংনরবদি লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিনবা ঙমগনি। অতোপ্পা লৈবাক্লা ঙন্নগা ঐখোয়না করিগী ঙল্লোইদৌরিবনো। ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুনশিল্লগা তোঙান তোঙানবা ৱাখল লৌশিং পুথোক্লরগা লায়নাসিবু লাকশিন্দুনা লমদম অসিবু কোভিদ ফ্রী ওইবা ষ্টেট অমা ওইহল্লসি। লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্ননবা হোৎনবদা পুন্নমক্কী থৌদাং চাউনা লৈ। লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্ননবা লৈঙাক্লা লৌখৎলক্লিবা চেকশিন থৌরাংশিং অসি মীয়াম্না ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

সেকমাই এ সীগী এম এল এ হৈখাম দিঙ্গোনা এ সী অসিগী মনুং চনবা মফমশিংদা লৈবা কোভিদকা মরী লৈনবা মীওইশিং কোভিদ টেষ্ট তৌথোক্লবা অমদি হোস্পিটালদা পুখৎনবা হোৎনবদা পুং ২৪ চুপ্পা মথৌ তৌগদবা এম্বুলেন্স অমসু ঙসিদগী মথৌ পাঙথোকপা হৌহনখ্রে। এম্বুলেন্স মথৌ পাঙথোকপা হৌহনখিবা থৌরম অদুদা সেকমাই এ সী কোভিদ-১৯ ফ্রন্টলাইন ৱারিয়র গ্রুপ, ময়াংলাংজিং জেদ পি কে সোহদেব, কংলাতোংবী, খুরখুল, ফুন্নৌ জি পিগী প্রধানশিং, পি ঐচ সীগী ডোক্তর, সর্দার পটেলগী হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর অমদি ৱার্দ মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি।

কংলাতোংবী হিন্দী সেকেন্দরি স্কুল অমদি খুরখুল সর্দার পটেল স্কুলদা নুমীৎ নীনি চুপ্পা চথখিবা কোভিদ-১৯ মোবাইল টেষ্ট তৌখিবা অদুদা মীওই ৩৭০না টেষ্ট তৌখি। মদুদা মীওই ১০৮ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি হায়রি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস তিকেন্দ্রনা লৈখিদবদা মায়কৈ কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৪ (ঐচএনএস):

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা প্রোফেসর এস তিকেন্দ্রনা লৈখিদবদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি।

সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বা সাইখোম টিকেন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোক্লি। মহাক্লা লৈবাক্কীদমক তৌরম্বা থবকপু সী পি আইগী মায়কৈদগী শীংথানিংই হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

লেফ্ট ফ্রন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি মণিপুরগী কনভিনর ক্ষেত্রিময়ুম শান্তনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা লৈরিবা লেফ্ট ফ্রন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটি-সী পি আই, সী পি আই-এম, আর এস পি অমদি ফোরৱার্দ ব্লোক্কী লুচিংবশিংনা বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এস টিকেননা খঙহৌদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

প্রোফেসর এস টিকেননা বি জে পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ হেকপুরকপদগী মণিপুরগী অপূনবা শক্তম ঙাক্নবা অমদি মণিপুরগী ইস্যু অমা ওইরিবা দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই হায়বগী মতাংদা মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী অপূনবা মীফম কৌখিবা অদুবুসু নীংশিংখি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি মণিপুরগী মাঙজবনি হায়না লৌদুনা লেফ্ট ফ্রন্ট কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুং অমদি বি জে পি মণিপুরগী অৱাবদসু শরুক য়ারি।

য়ুনাইটৈদ ফ্রন্ট মণিপুরগী কনভিনর চবুংবম প্রেমচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট সাইখোম টিকেন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা য়ুনাইটৈদ ফ্রন্ট মণিপুরনা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোকচরি। মহাক ঐগী মীগী খন্দবা অফবা পোলিটিকেল থিঙ্কর অমনি। মহাক্লা লৈখিদবা অসিনা মণিপুরগী পোলিটিকেল প্লেটফোর্মদা মেনখৎপা ঙমদনা মাঙজরগদবা অমনি। লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

বি জে পি মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বা প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা দেমোক্রেটিক ভারতিয়া সমাজ পার্টি, মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি অমদি ঈকায় খুম্নবা উৎচরি হায়নসু পার্টি অসিগী ষ্টেট সেক্রেটরি কৈশাম আনন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপব্লিকান পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এ) অম্বেদকর মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিনসু বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা লৈখিদবদা নীংঙমদবা অমদি অৱাবা ফোঙদোকচরি হায়না আর পি আই (এ) মণিপুর ষ্টেট কম্মিটিগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর পিপলস দেম্মোক্রেটিক ফ্রন্ট (এম পি দি এফ)না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন্দ্রনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা অমদি অমদি অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেননা লৈখিদবদা অসিদা ওল মণিপুর পেন্সনরস এসোসিএসন, ভারতিয়া মজদুর সংঘ মণিপুর ষ্টেট অমদি ওল মণিপুর টেন এন্দ এলেবেন ভিভা ভোসি কমপ্লিটেদ আই আর বি রাইফলসমেন এন্দ রিটর্ন কমপ্লিটেদ জেমাদার কেন্দিদেট ২০১৯নসু অৱাবা ফোঙদোরক্লি।